সিক্যুরিটি ফোর্সনা ক্কাক্তা খুমনদা নোংমৈ লল্লোনবা ফাবা চঙলুবদা এক্টিভা ১ মৈ থাখ্রে, কার ১ থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): কংবাইদা লৈবা সিক্যুরিটি ফোর্স কাঙবু অমনা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্কাক্তা খুমন অৱাং লৈকায়দা নোংমৈ লল্লোনবা ফাবা চঙলুবদগী মীয়াম্না ঈরাং হৌরক্তুনা হোন্দা এক্টিভা অমা মৈ থাখ্রে। অল্টো কার অমনা ৱীন্দসিল গ্লাস থুগায়খ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা ক্কাক্তা খুমন অৱাং লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়ট এরিয়া (ৱার্দ নম্বর ফোর)দা মীওই ১০ রোম লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী ইনিদয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সকী কাঙবু অমা চঙশিল্লুবদা খুঞ্জাশিংনা ঈরাং শাগৎলকখি হায়রি। মফম অদুদা লৈবা নোংমৈ শাবা অমদি নোংমৈ লল্লোনবনি হায়বা মীওই অমা ফাখি।

মহাক্কী মমিং এম দি রিয়াজউদ্দিন, ক্কাক্তা খুমন অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। এস এফনা এম দি রিয়াজউদ্দিন য়াওনা মীওই ১০ ফারগা পুরকপদা খুঞ্জাশিংনা ঈরাং শাগৎলকপদগী মহাক য়াওনা মখোয় নাম্বোক্তুনা চেন্নখি। মফম অদুদগী ঈরাপ লাপ্তুনা হোন্দা এক্টিভা (এম এন ০১ এ ঈ-০৫৫৪) অমা লম্বী মনাক্কী এরিয়াদা শকখঙদবশিংনা মৈ থাখ্রে। অঙৌবা অল্টো কার (দব্লিয়ু বি ৩ বি-৫৫০৭) অমনা এক্সিদেন্ট তৌদুনা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই খরনা ৱীন্দসিল গ্লাস থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে।

থৌদোক থোকফম অদুদা পুলিসনা লাক্তুনা ঈরাং অদু লাকশিনখ্রে। মীওই খরদি নাম্বোক্তুনা চৎখ্রে হায়রি। থৌদোক থোকফম অদুদগী ৱায়রলেস অনী, নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, ৱায়রলেস অমা, আই কার্দনচিংবা খরা ফংলে হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

ইরোল ইয়েক্কী মতাংদা খন্থদনা ৱা ঙাংগনু : কে এস এ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএসন (কে এস এ) হেদ ক্কার্টরসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ বাবুলুনা থোল্লককখিবা চেরোল অমনা হায়বদা, ময়াম্না মশক খঙদবা অমসুং লৈরিব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বসু খঙদবা ওর্গনাইজেসন অমনা খন্থবা তৌদনা ইরোল ইয়েক্কী মতাংদা ৱা ঙাংবা তৌবীগনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈদুনা ইরমদম কংলৈপাক অসি ইশাগী ইরোল ইয়েক, চৎনবী কয়াগা লোয়ননা মনিং-মখা তম্না নিংথৌ কয়া পান্দুনা লৈরকপা লৈবাক্লি। অদুবু তাঙ্কক খরদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লিংজেল মান্নদবনা মরম ওইরগা নমথদুনা লৈরুরবা তুংদা ঐখোয়গী ইরোল ইয়েক অসি কুমজা ১৯৭৯গী ওক্টোবর ২২দা মণিপুর গেজেটতা য়াওদুনা ময়েক অসি ওফিসল লেংগ্বেজ ওইখিবনি অমদি কুমজা ১৯৯২দা মণিপুরী ইরোল ইয়েক অসি কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুল্দদা চনখিবনি হায়রি।

মতমদুদগী হৌরগা ইশাগী ইরোল ইয়েক চাউখৎনবা কংলৈচা কয়ানা হোৎনদুনা লাকখি। হৌখিবা কুমজা ২০০৬তগী হৌদুনা মসিবু লাৱর থাক্তগী তম্বা হৌরকখিবনা ঙসিদি অৱাংবা মহৈগী থাক ফাওবদা মপূং ফানা তম্লক্লি। ঙসি ফাওবদা ইয়েক অসি কংলৈপাক্কী মহৈরোয় লাখ ৫ হেনবদা খঙহনবা ঙমখ্রে। লোয়ননা চৎলিবা কুমজা অসিদগী হৌদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈ তম্ফম ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদসু ইরোল ইয়েক অসিদা তাকপী তম্বীবা হৌগদৌরি হায়না কে এস এগী মায়কৈদগী হরাউরিবনি। অসিগুম্লবা ইয়েক অসিনা মপূং ফানা চাউখৎলক্লবা মতম অসিদা খঙহৌদনা ওর্গনাইজেসন অমনা মরিং-মরাংবা মওংদা বেঙ্গলি ময়েক অমদি অতোপ্পা ময়েকশিংনা কংলৈপাক ঐখোয়গী ইয়েক্লা তাকপী তম্বীরিবশিং অসি হুন্দোক্তুনা ক্লাস টেন ফাওবদা তাকপী তম্বীগদবনি অমদি টেক্স বুক ফোঙগদবনি হায়রক্লিবা অসি করম্বা ৱাখল্লোনদা হায়রকপনো। ঐখোয়গী ইরোল অসি ইশাগী ইয়েক্লা হৌজিক্তি মপূং ফানা শিন্দোরক্তুনা চাউখৎলক্লিবা মতম অসিদা অসিগুম্বা ঈ য়ানশিনবা মানবা মওংগী ৱারোল অসি কংলৈ খুন্নাই অমদি মহৈরোয় খুন্নাইবু শীংনবনি হায়রি।

মতম কয়াগী মমাংদগী ইরোলনা অহানবা মহৈগী থাক্তগী হৌরগা অথোই অহেনবা থাক ওইরিবা মাষ্টর অমদি পি ঐচ দি ফাওবদা শীজিন্নদুনা লাক্লিবা অমসুং ইরোলগী লম্দা হেন্না কুপথনা থিজিল্লিবা অমসুং ইয়েক্তা ওম্থোক্লবগীদমক্তা হোৎনরিবা কংলৈচাশিংবু ইকাই ফিরুক খুমহনবনি হায়রি।

নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০বুসু ৱাফম অসিনা খোঙ্গাওনরকপনি। পোলিসি অসি ষ্টেট এদ্যুকেসন পোলিসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা কন্না হোৎনরিঙৈ মতম অসিদা অসিগুম্বা ৱাফম অমা থোরকপা অসি মরম চাদে। পোলিসি অসিনা হায়রিবদি ক্লাস ফাইব ফাওবদা মশা-মশাগী মমালোন্দা তাকপী তম্বীগদবনি হায়বা খক্তনি। অদুগা মসিগী মায়োক্তা পুথোরক্লিবা ৱাফম অসিদি তৌবীগনু হায়রি। লোয়ননা কংলৈপাক্কী ইরোল ইয়েক অমদি মহৈরোয় খুন্নাইদা লান্না লমজিংনবা হোৎনরক্লিবা খূদিংমক্কী মায়োক্তা কে এস এনা মতম পূম্নমক্তা লাম্বেংননবা লেপ্তুনা লৈরি হায়বসি খঙজিনবীয়ু হায়রি।

আই বি এস দিগী দিরেক্টর তোপ টু পার্সেন্ট সাইন্টিষ্টশিংগী মনুং চল্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): ইম্ফালগী তাকয়েল পাৎতা লৈরিবা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিগী মখাদা লিংলিবা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি)গী দিরেক্টর প্রোফেসর পুলোক কুমার মুখর্জিবু ষ্টেনফোর্ড য়ুনির্ভসিটি (কালিফোরনিয়া)গী ডা. জোন পি এ লোনিদিসনা লুচিংবা সাইন্টিষ্টশিংনা পাঙথোকখিবা মালেমগী সবজেক্ট-ৱাইজ এনালাইসিসকী মতুং ইন্না তোপ টু পার্সেন্ট সাইন্টিষ্টশিংগী মনুং চল্লে হায়রি।

ইন্সটিট্যুট অসিগী সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর (ইন-চার্জ) ডা. ঐচ সুনিতিবালানা থোল্লককখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না প্রোফেসর পি কে মুখর্জি অসি পেপর ২২১ মহাক্কী মমিংদা ফোংবগা লোয়ননা ৱর্ল্ডৱাইদ সবজেক্ট রেঙ্ক ১২৮ গী সাইন্টিষ্টশিংগী মনুং চনবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী তোপ ০.১৫ পার্সেন্ট সাইন্টিষ্টশিংগী মনুং চল্লিবনি। মহাক অসি মেদিসিনেল এন্দ বাইও মোলিক্যুলর কেমিস্ট্রিগী সবজেক্টতা লৈবাক অসিগী অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরিবনি হায়রি। হায়রিবা সবজেক্ট অসিদা অতোপ্পা সাইন্টিষ্ট ৩৮ সু লৈরি হায়রি।

প্রোফেসর অসি লৈবাক অসিগী মেদিসিনেল প্লান্টশিংদগী মেতাবোলোমিক প্রোফাইলিং, ফোর্ম্যুলেসন এন্দ ষ্টেন্দর্দ দাইজেসন, ভেলিদেসন অমসুং সেফটি অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংগী মতাংদা ট্রেদিসনেল মেদিসিনদগী হীদাক লাংথকশিং পুথোকপা অমসুং মসিগী থবকপু চাওখৎহন্নবগী মতাংদা থবক তৌরিবনি হায়রি।

ষ্টেন্দফোর্ড য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্টশিংনা মালেমগী তোপ সাইন্টিষ্ট লাক্ষ অমা হেনবগী মথক্তা ইনফোর্মেসন ওন সাইটেসন্স, ঐচ-ইন্দেক্স, কো-অথরসিপ অমসুং কম্পোজিৎ ইন্দিকেটর য়াওনা ষ্টেন্দর্দদাইজ সাইটেসন ইন্দিকেটরশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা দেতাবেজ অসি শেম্বনি। সাইন্টিষ্টশিং অসি সাইন্টিফিক ফিল্ড ২২ অমসুং সব-ফিল্ড ১৭৬ তা ইন্দিকেটরশিং অসি শীজিন্নদুনা ওর্গনাইজ তৌবনি হায়রি। প্রোফেসর অসিনা শীংথানিংঙাই ওইবা থাক অমদা য়ৌরকপদা ইন্সটিট্যুট অসিগী সাইন্টিষ্ট, ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয়শিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসনা মোরেদা ভিলেজ চীফশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): অসাম রাইফলসনা ঙরাং ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর পরিংদা লৈরিবা মোরে টাউনদা ঈং-চিকপা পুরক্লবগীদমক থা খুদিংগী শীন্দুনা লাক্লিবা ভিলেজ চীফশিং অমসুং লোকেল মীয়ামগী মীফম অমা মফম অসিগী মিসন ভেংদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্সপেক্টর জেনেরল ওফ অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়বদা মীফম অসিদা বোর্দর টাউন ওইরিবা মোরেদা ঈং-চিকপা থম্নবগীদমক খন্ন-নৈনখি হায়রি।

মসিগী মথক্তা খুঞ্জাশিংদা মেদিকেলগী খুদোংচাবা পীবা, লোকদাউন মনুংদা অঙাংশিংবু লাইরিক তমহনবা, পেন্দমিক মনুংদা হেল্থ অমসুং সেনিটেসনগী খুদোংচাবা ফংহনবা, কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিং, মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা ঈশিং পীবা অমসুং ইলিগেল ক্রোস বোর্দর ট্রেদ মুখৎনবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি হায়রি।

মীফম অসিদা অসাম রাইফলসনা খুঞ্জাশিংদা মতেং পুম্নমক পীগনি হায়না থাজবা পীখিবগা লোয়ননা উ চারাশিং থাবা অমসুং হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু অফবা লম্বীদা পুরক্লবগীদমক শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং হেনগৎহনবদা মতেং পাংগনি হায়নসু থাজবা পীখি হায়রি।

মীফম অসিদা মিসন ভেং, সাহৈ, ন্যু লাইকোট, দি মোন্নাফাই, ন্যু সেজাং, ন্যু মোরে, এস সিমোন, এল ফুলচোং অমসুং সেজাং ভেংগী ভিলেজ চীফশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অসি শীনখিবগীদমক মসিদা শরুক য়াখিবা খুলশিংগী মীহুৎশিংনা অসাম রাইফলসপু মফম অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক হোৎনবগী থাগৎপা ফোঙদোক্লখি।

মীফম অসি মিলিটরি অমসুং সিভিলশিংগী মরক্তা লৈনবা মরী চেৎশিহন্নবগীদমক মহৈ য়ানবা মীফমনি হায়খি।

চৎন-কাংলোনশিং শেম্বীদুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বা ফংহনবিয়ু : অবদুল মনাল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাক্লসু মরক্কী মীখল পাঙথোক্লবগীদমক য়াম্না ফজবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎলক্তুনা ইলেক্সন তৌবগুম্না থা ৭ হেন্না মহৈ তম্বা ফংলক্ত্রবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা খনবিদুনা মপুংফাবা চৎন-কাংলোনশিং শেম্বিদুনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বা ফংহনবিয়ু হায়না থৌবাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা থৌবাল মোইজিংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সোসল ৱর্কর মোহমদ অবদুল মনালনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা তশেংনা মণিপুর লৈঙাক্না লৈবাক মীয়ামগীদমক পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু মরক্কী মীখল পাঙথোক্লবগীদমক এ সী মরীদা হৌজিক পাঙথোক্লরিবা পব্লিক মীটিংদা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎনদবনা থা কয়াগী মমাংদগী লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা চাওনা থৌদাং লৌরিবা ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিংগী হোৎনজমন অরেম্বদা তাহল্লে হায়বা য়াই। তুংগী য়ুম্বিরেন ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিং করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু য়াম্না কুপ্পা থীগৎপীদুনা মতৌ করম্না ফীভম অসিদসু লাইরিক তমহনবা য়াগদগে হায়বগী অনৌবা পোলিসি প্রোগ্রাম পায়খৎপীয়ু। মরমদি হৌখিবা থা ৭তগী মহৈ তম্বা ফংদনা লাকখিবা মরম্না মহৈরোয় অয়াম্বা তৌফম খঙদনা কঙাউনদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওজাগী শিনফমদা চহী কয়া থবক তৌদুনা লাক্লবা পুয়াম অচৌনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা পূম্নমক ৱানরে হায়বসি লৈঙাক্লা খঙলদুনা লোকদাউন কোমথোক্লদুনা মার্কেট হাংদোক্তুনা পোৎচৈ লৈবা য়াহনবগুম্না মহৈলোয়শঙশিংসু কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং মপুংফানা ঙাকহন্দুনা লাইরিক তম্বা হৌবা য়ানবা হোৎনহন্নিংই। মরমদি হৌজিক-হৌজিক স্কুল অয়াম্বদা ওনলাইন ক্লাসনি হায়না পাঙথোক্লরিবা অসিসু মদুমক্লা মহৈরোয় খুদিংদা কান্নবা পীবা ঙম্লবরা হায়বদুসু খঙবা ঙম্বা নৎত্রি। থা কয়া মহৈ তম্বা ফংলক্তবনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংগী তুংগী লম্বী মমশিল্লকপগা পাঞ্জক ওইরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়াম্না কুপ্পা খন্থরবা মতুংদা করি-করম্বা থৌরাং লৌখৎলগা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফংগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নদুনা মহৈ তম্বা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুলবুং ভিলেজদা টেরিটোরিএল আর্মিনা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি), দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা হায়বদা ঙরাং কুলবুং ভিলেজদা লৈবা কুলবুং সী ও বিগী টেরিটোরিএল আর্মিনা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কেম্প অসিদা আর্মিগী মেদিকেল ওফিসর অনীনা নর্সিং এসিষ্টেনশিংগা লোয়ননা অনাবশিংবু লায়েংখি। পুন্না মীওই ৯২ (নুপা ১১, নুপী ২৫, অঙাং ৫৬) পুফ্রী মেদিকেল ট্রিটমেন পীখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা কুলবুং ভিলেজ অসি মনুং হঞ্জিনবা অমসুং হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি ফংদবা মফমনি হায়রি। হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগীদমক য়েংলগা খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী কেম্প অসি পাঙথোকপিনবা হায়জরকখিবনি হায়রি। মসিগীদমক টেরিটোরিএল আর্মিবু খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি হায়রি।

কন্টেক্ট তৌরক্কদবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হীলস, মণিপুরগী দিরেক্টরনা ঙরাং থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না সেদ্যুল্দ ট্রাইব স্কোলরসিপ ফংনবগীদমক নেসনল স্কোলরসিপ প্রোটেল ২.০ গীদমক রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমসুং অরানবা চুমথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক লোইশঙ অসিগী মোইবাল নম্বরশিং-৯৬১২২৫৫২৫১, ৮৯৭৪১০৫৪০০, ৯৪০২২৬৭২১৯, ৯৪৩৬২০২৫১৩ অমসুং ৯৮৫৬৩০১৩৩৭ (ষ্টুদেন্টস স্কোলরসিপ সেল-এস এস সী) দা কন্টেক তৌরক্কদবনি হায়রি।

এম সী এস ওফিসর ৩২ গ্রেদ ৱানদা প্রমোসন পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): ঙসি জোইন্ট সেক্রেটরি দিপিনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মণিপুর সিভিল সর্ভিস (এম সী এস) গ্রেদ টু ওফিসর ৩২বু গ্রেদ ৱানদা প্রমোসন পীখিবগা লোয়ননা রুলগী মতুংইন্না খূদক্তগী মখোয়না গ্রেদ ৱানগী পে, এলাৱেন্সনচিংবা ফংলগনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না গ্রেদ ৱানদা প্রমোসন পীখ্রবা ওফিসরশিং অদুদি লোকেশ্বর ব্রহ্মচারিময়ুম, অলফ্রেদ জামলাললুন খৌটে, সোরাইসম দেবিদ, সৈখ অব্দুল হাকিম, কে এস ঐচ উমানন্দ, নিনা সরাংথেম, এস টি রিথুং অনাল, এলাংবম অনন্দ, ডা. এন জোন্সন মীতৈ, ডা. দেবিদ এলাংবম, চোংথাম নোমিলা, কৈশাম জাদুমনি, ফুরাইলাৎপম বাভানন্দ, লাইশ্রম বোবী, ঐচ এল জেন, দেবিদ কাশুংনাও, নিংরৈঙম লৈসান, ষ্টিভ খাপুদং, দাংমৈ মংলেম, কে জি দালগোং, সোনা খলখোপাও ঙাইটে, কাচমথাই ফালগা গাংমৈ, চুংলেনমাং কিপগেন, পুনিপাও রোনাল্ড, সুলৈমান দৌলটখান, বিজানন্দ চবুংবম, পোলেম লেনিন, এন সোখোঙম বাইটে, পাঙম্বম শান্তিকুমার, এস গিমৱান ঙাইটে, মহমদ য়াসর অহমদ খান অমসুং চান্দম বোবোনি।

অদুমওইনমক ওর্দর অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা লৈরিবা রিট পিটিসন সিভিল নম্বর ১৮৪ ওফ ২০১৮ অমসুং ২১০ ওফ ২০১৮গী অরোইবা ৱায়েলগী মখা পোনগনি হায়রি।

মীখল অমসুং ভোট মশিং থীগদবা নুমিত্তা ড্রাই দে লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিসনর ওফ এক্সাইজ বি জোন লাংতিনখুমানা ঙরাং থোকখিবা পব্লিক নোটিস অমগী মতুং ইন্না হয়েং ভোট থাদনগদৌরিবা বাই ইলেক্সন অসিগী পোলিং দে য়াওনা ভোট মশিং থীগদবা থা অসিগী ১০ দা মণিপুর পুম্বদা ‘ড্রাই দে’ ওইগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নোটিস অসি ইষ্টর্ন বেঙ্গল অসাম এক্সাইজ এক্ট ১৯১০ গী সেক্সন ১৭ (৩) অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট ১৯৫১ গী মণিপুরদসু চৎনরিবা সেক্সন ১৩৫ সীগী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না লাউথোকপনি হায়রি।

মরম অসিনা পোলিং এরিয়া অমগী মনুংদা ভোট থাদনগদবা লোইশিনগদবা পুংফম ফাওবগী পুং ৪৮ গী মনুংদা মখল অমত্তগী য়ু য়োনবা নৎত্রগা পব্লিক নৎত্রগা প্রাইভেট প্লেসশিংগী হোটেল অমদি দুকানচিংবদা য়েনবগী থবক তৌবা য়ারোই হায়রি। নোটিস অসিনা লিকর লাইসেন্স হোল্ডরশিংগা লোয়ননা কোমথোকপা কেটিগোরিশিংবুসু কোনশিনগনি হায়রি।

ꯃꯊꯧꯇꯥꯕ / WANTED

SKILLED LABOUR & HELPER FOR TYRE RETREADING WORKS

Sl.No.	Post	Vacancy	Experience	Salary
1	Skilled Labour	5	5 to 10 years	Monthly ₹ 3,000/- & Per Day ₹ 300/-
2.	Helper	2	1 year	Negotiable

Contact :- **M/s SHITOVA TYRE RETREADER & SERVICE**
Authorised Franchisee of **Elgi Rubber Company Limited**
Takyel industrial Estate B-6 Factory Building
Imphal West-795001 Mobile No. 9402733209 HL-B/6496/3-10

ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোলিং ষ্টেসনশিংগী মাইক্রো ওবজার্ভরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর/ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট নাওরেম প্রবিননা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাঙ্গোই এ সীগী বাই ইলেক্সনগীদমক এ সীগী অসিগী মনুংদা লৈবা পোলিং ষ্টেসন খরগী মাইক্রো ওবভার্বরশিং খল্লে হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না খল্লবা মাইক্রো ওবজার্ভরশিং অদুদি ২২/৪০- চোংথাম কোনাগী টি ঐচ প্রেমকুমার, ২২/৩০-ৱাঙ্গোই তোপ পাঙ্গল সিফাইগী ঐচ তোম্বী মৈতৈ, ২২/৩৫-য়ুম্নাম হুইদ্রো ময়াই লৈকাইগী এ গুনেশ্বর, ২২/১১-নাওরেম চপ্রৌ জি তোকেন, ২২/২৫- পাওবিতেক মমাং লৈকাইগী এল হোলেন্দ্রো, ২২/৮- শামুরৌ ময়াই লৈকাইগী এন সুভাসচন্দ্র, ২২/২৯-ৱাঙ্গোই তোপ পাঙলসিফাইগী টি ঐচ অজিৎ, ২২/১- ইরোম মৈক্রাও মনিং লৈকাইগী হৈক্রুজম ইমোনো, ২২/৫-শামুরৌ অৱাং লৈকাইগী তরাচানদ কুমাৱট, ২২/১৬-ৱাঙ্গোই ৱাহেংবম লৈকাইগী নোংথোম্বম মনোরঞ্জন অমসুং ২২/১০- শামুরৌ মখা লৈকাইগী সুনিলচন্দ্রনি হায়রি।

হায়রিবা পোলিং ষ্টেসন অসিগী ওভর ওল-ইন-চার্জনা পঙ্কস বর্মানা ওইবগা লোয়ননা মাইক্রো ওবজার্ভরশিং অসি হেন্দবুক ফোর রিটর্নিং ওফিসর ২০৯ গী পেরা ৩.১৫.৫কী মতুং ইন্না দ্রো ওফ লোটস পাঙথোল্লগা খনবনি হায়রি।

খল্লবা মাইক্রো ওবজার্ভরশিং অসি পোলিং টিমগা লোয়ননা মতম চানা পোলিং ষ্টেসনশিংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। ভোট থাদনগদবা নুমিৎতা মথৌ পাঙথোক্কদবা ওবজার্ভরশিংনা ভোট থাদনবা লোইরবা মতুংদা ওর্ভর ওল ইন-চার্জ পঙ্কস বর্মাদা মখোয়গী রিপোর্টশিং সবমিট তৌরক্কদবনি হায়রি।

কাদর অনী ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): ককচিং কম্মান্দো অমদি ৩১ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন টিমনা ককচিং লমখায়দগী কে ৱাই কে এল নুপী কাদর অমা য়াওনা মীওই অনী ফারে।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা কম্বাইন টিম্না ফারবা মীওই অনী অদুদি অসামগী হোজাই গৌজেরদগী থৌনাওজম বোরেন (৩২) অপোকপা টি ঐচ সুরেন অমদি চাইরেন ময়াই লৈকাইদগী লাইশ্রম লিনথোই ঙানবী (২৪) এলিয়স লিনথোই ঙানবী কৌই। মখোয় অনীগী মনুংদা বোরেন্না সার্জন মেজরনি। লিনথোই ঙানবীসু সার্জন মেজরনি হায়রি। ককচিং পুলিসনা মখোয় অনীগী মথক্তা কেস অম লৌখৎখ্রে হায়রি।

ꯃꯪꯂ / REGISTRATION CARD LOST

I have lost my registration card of Class XI and XII Science, bearing registration no. 16689 of 2018, issued by COHSEM, on the way between keisampat and Bamon Leikai on 1st Nov., 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Choudhurimayum Ashish Sharma**
Bamon Leikai, # 7005154004
HL-P/8004/7

ꯃꯪꯂ / IDENTITY CARD LOST

I have lost my Identity Card issued by the SE-R-11, PHE Department Manipur, on the way between Haoreibi and Lamphel on 31st October, 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Salam Mani Meitei**
A.E.O.EE Imphal West,
PHE Division, PHED, Manipur
HL-P/8005/7

ꯑꯄꯦꯟꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ/ অপেনবা ফোঙদোকচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) অপোকপা এল. নবকিশোরনা চয়োল অনী লায়েংবীবদগী ঐগী য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা লৈরম্বা নুঙ তাহনবীখ্রে। মসিদা ঐনা পেঞ্জদুনা ইয়াম্বা অসিবু পাউচেগী থোঙদা অপেনবা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা :- **অথোকপম প্রেমচান্দ মৈতৈ**
তোপ অৱাং লৈকাই
HL-P/8003/7

ঈশিং ফংলোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি), মণিপুরগী ৱাটর সপ্লাই মেন্টেনেন্স দিভিজন নম্বর ৱানগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়রনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না রিজার্ভর খরদগী কঞ্জুমরশিংনা ঈশিংগী নোর্মেল সপ্লাই নুমিৎ নিনি ফংবা ঙল্লোই হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা কাংচুপতগী ইরোইশেম্বা ফাওবগী মনুংদা লৈবা লমশাংগী অনৌবা থোং অমা শাগৎপনা মরম ওইরদুনা মেল পাইপ লাইনশিং হোংদোক্কদবনা কঞ্জুমরশিংনা ঈশিং ফংবা ঙল্লোইদৌরি। কঞ্জুমরশিংদা ঈশিং পীবদা খুদোংচারোইদবা রিজার্ভরশিং অদুদি লমশাংগী কঞ্জুমরশিং অমসুং লাজিং, তেরা, ইরোইশেম্বা, উরিপোক, নাগামপাল, পাওনা বাজার, শগোলবন্দ সলাম লৈকাই, ৱাহেংবম লৈকাই, বাবুপরা অমসুং কৈশামথোং কবুই খুলগী রিজার্ভরশিংনা কোনবা মফমশিংনি হায়রি।

হায়রিবা মফমশিং অসিদা থা অসিগী ৭ অমসুং ৮ দা কঞ্জুমরশিংনা ঈশিং ফংবা ঙল্লোই হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHELPAT

NOTIFICATION
Imphal, the 6th November, 2020

No. AYUSH/COUNSELING-NOMI/2020: Applications are hereby invited from the intending and eligible qualified Candidates from the National Eligibility Entrance Test (NEET - UG), 2020 for selection of Candidates for nomination to the different AYUSH Courses (BAMS , BHMS & BUMS) on merit basis as Government Nominee on 200 points roster basis for the Academic Session 2020-21. Counseling form can be obtained from the Directorate of AYUSH, Lamphelpat during Office hour on payment of Rs. 500 (Gen & OBC) and Rs. 300 (SC/ST) by cash. The schedule for conduct of the Counseling are as below:

Issue /Sale of Counseling Forms	9/11/2020 to 13/11/2020
Submission of the Counseling Forms	12/11/2020 to 20/11/2020
Issue of Admit Cards	23/11/2020 to 25/11/2020
Date of Counseling	30/11/2020
Issue of the Nomination Papers	2/12/2020 to 4/12/2020

2. The number of the Candidate(s) to be nominated are subject to the availability of the seats.

3. Those candidates who have not applied for the first counseling will not be considered for the next counseling.

4. This issues with the approval of competent authority.

Sd/- **Dr. Y. Lukhoi Singh**
Director (AYUSH)
Government of Manipur

HL-B/6515/7,8,9

ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ/ খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ তোয়না হান্বা, খোঙ হান্বগী শংবদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, পূক গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থাকপা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না তোয়না নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোম্লগা লৈবা, খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, খোঙ হান্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, কোঙ্গোল অমদি মনাঙ হেক য়াওরকপগা হকচাং অসি চোকথরগা পোথারগতা লৈনিংবা করিমত্তা শুনিংবা পোক্তবা, মীনা উরগনা হকচাং নাবা মান্দবা, খোঙ তোয়না হান্বনা মরম ওইদুনা শৌজ তোয়না নান্থবা, শৌজ অদু খূৎনা তোয়না ইনখৎপনা মরম ওইদুনা নারকপা, খোঙ হান্বগী শংবদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শংদ্রগনা ঈ তারক্তবা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা, করিগুম্বা খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, অমাংথোঙদা থুপ্পা অমদি শাবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6463/7 *থাগৎচরিবা :* **Th. James Singh,** Canchipur

ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ/ খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা মতমদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, চিকপা-নাবা অদু খাঙবদা য়াম্না ৱাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা মিনট ১০/২০মুক চিক্লগা লৈবা অদু ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদপু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা মতমদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, চিকপা-নাবা অদু খাঙবদা য়াম্না ৱাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা মিনট ১০/২০মুক চিক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোরকপা, খোঙ য়াম্না হান্বা, কোঙ হান্বা মতমদা লৈকাংগুম্বা মচু হাল্লকপা অমদি মনাঙসু য়াম্না য়াওরকপা, হকচাং চোকথ-ৱান্থরগতা লৈবা, হৈনিং-শিংনিংদবা, খোঙ তোয়না হান্বনা লম চৎপদা বেরা কাবা খোঙ হাল্লক্কদ্রা হায়না, খোঙ হান্বা খূদিং ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, শা-ঙা, থাউ অমদি মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা, সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম কাপথোরকপা অমদি হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা হেনবা, পূকচেপ নাবা, চাবা-থকপা য়াদবা, পূক্তা নুংশিৎ কারগা অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, খ্বাঙ নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ কয়া ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7985/7 *থাগৎচরিবা :* **W. Suresh**, Lamlong